# লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাই

- ডা. মঙাংচা লাইব -

১) ৱাহৌদোক :- থাংচীং চীং অসি সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ২,১০৯ রোম ৱাংই। মসি বেরাইল চীংশাং (ওলিগোসিনদগী মাইওসিন হায়বদি চহী মিলিয়ন ৩৬দগী মিলিয়ন ৫০ ফাওবা) অমসুং দিসাং চীংশাং (তরসিয়ারি মতমগী প্লাইটোসিনদগী ইওসিন হায়বদি ১.৮ মিলিয়ন্দগী ৫৮ মিলিয়ন ফাওবা) অনীগী তাইনফমদা থাংচীং চীংশাং অসি শন্দোক্তুনা লৈ। অদুবু মোইরাং ময়াগী শুগ্নু (সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৭৪৬ ৱাংবা) নচিংবদা শুনু নূং ফংবা মরম্না উখুল অমসুং চান্দেলগী দিসাং চীংশাংগা হেন্না নক্লবা মরী লৈনৈ। শুনু নূং ফংবা মফমশিংদা লৈকুৎ-লৈরাই লৈখুনচিংবা (শুরুং) লৈগল্লি। লোয়ননা মফমশিং অসিদা নূংগী মতমগী মীশিংনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরম্বগী খুদম ফংই। লোয়ননা শেন্দ্রা, থাঙ্গ, করাংনচিংবা চীংদুম মচাশিংদা ফংলিবা সেলনচিংবগী রোকশিং অসি য়েংলুরগা থাংচীং চীংশাং অসি বেরাইল চীংশাংগসু মরী লৈনৈ তাকই। থাংচীং চীংদা ট্রোপিকেল সেমী-ইভর গ্রীন ফোরেষ্টকী উমং-ৱামং, নাপী-শিংবীশিং মরাং কায়না ফংই। থাংচীং চীংখোংদা লৈরিবা মোইরাংগী কৈবুল লমজাও অসিদা ফংলিবা শঙাই অসি ষ্টেট এনিমেল ওইনা মালেমদা মমিং চৎলি। লোয়ননা অতৈ শা-ঙা কয়া হায়বদি শজি, শওম, খরশা, কৈনচিংবা কয়া ফংবগী ৱা লৈ অমসুং য়ূমহোং তোইবা উচেক-ৱায়া কয়া ফংবগা লোয়ননা ঙা মখল কয়াসু লোক্তাক পাৎনচিংবদা ফংই।

২) থাংচীং চীঙ্গৈইরোল :- লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাই মহাক্তি কেগে কাসালেল, মোইরাং লাংপুম অরিবা, নূংমু তুম্দবা খোঙনেৎনবা, নূংবী শিদবা খুদানবা, কেগে শন্থোং মোলিপ, শন্থোং মপু নিংথৌবা, শানম্ কান্বা মহালাপা, চাউবসু কোয়লেল, শাংবসু কোয়লেল্, ৱাংপসু কোয়লেল, কোয়লেল্ অহুম্মক্তা ফম্ফল্লকপা লাইনিংথৌনি। লাইনিংথৌ মহাক্তি ফেন্চী নোংহুম্ লম্, মালং মথোঙচীল্, খমকোন্ মরাক চীনবু তান্ন-খন্ব, খুয়োল্ ফক্ তোমফম্বা, থাঙ্গা তোল্পল্ নিংথৌ, কেগে লৈশাবুঙ মোইরাং কাসালেল্, নামুংবা, য়াইবী পল্লোয় তানবা, খারম্ মোনথৈঙম্বা, চীংলেন্ নাপোম্ অতোঙবদা ফম্ফম্বা লাইনিংথৌনি। লাইনিংথৌ মাদি লোয়দাম শজিবু থাদা কোরৌ নোংমাইচীং নুমিৎকী ৱাংলেন্ পুঙগোয় মতম ফবদা মশানৌ ইবেম্মা কোয়লেল লৈমগা মপারী ইবুংঙো তম্পাক্ নিংথৌগা কাংগ্রু লৈহৌ পোক্পীদগী ঙাংখ খুনয়াই খায়না মদোম খুন্ফাওরকপা কেগে খুন্থোং লেপ্লা মোইরাং খুন্দা হল্লকপা, ঈমু-ঈঙৌ পান্ফবা, লোক্তাক ইশা মাপল্ ফাংবনা চেংলৌ শকয়েং মিয়েংশেল ওইনরিবা লাইনিংথৌ - ও হায়না শৈথানরিবা লাইনিংথৌনি।

চীংঙু খোইয়ুম নোংদম্বা মপু মানা তাইবঙ কুম্মৈ শান্নরগে হায়না পায়মা-নুংদা নীংখিদুনা চীংঙু খোইয়ুম কোনচিল্ তুকথপা পাখংবগী লাইওল লাইচৎ ওইরিবা লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাই মাবু অৱাঙবা কোলৌ লাইলৈপাক্তগী মালেম লৈমায়থক্তা খুনকুম হল্লক্লে। মালেমগী করম্বা য়াইফ-নুংঙাইগদবা মফমদা লাইনিংথৌ মাগী মশাইকোন ওইরসিগে হায়না চেংলৌ মায়থোঙ কোয়না-লৈনা য়েংলবা মতুং থাংচীং চীংগী চীংদোন্দা অহানবা ওইনা খুন্দারে। লাইনিংথৌ মাবু (১) পোওতে (২) পোলাং (৩) ঈপুন্লেন্ (৪) ঈতাইলেন (৫) ঈকাংলেন (৬) নূংচোংপা (৭) নূংকাপা (৮) নূংকাচেং (৯) লাইকাচেং (১০) ৱানতৌপা (১১) ৱান্ঙৌপা (১২) ৱান্মুপা (১৩) চালি শেনপা (১৪) মকুকুলোল (১৫) শালুং লাইতাং (১৬) লাংচেন্শেন্ অমসুং (১৭) লৈনাই কৌবা লাই অথৌবা লাইপুংথৌ তলা-তলেৎনা থৌগল্লে। ঙৌপা কৌবা শলোয় লুচিংবা মানা লুচিংদুনা শলোয় হুম্ফুমা থোইমক্লা লাইনিংথৌ মাগী তুংইল্লে।

অসুম্না চহী কুমচা কয়া থাংচীং চীংগী চীংদোন্দা খুন্দা-লৈতা, খুনপাল-লৈপান্দুনা লৈরক্লবদা নোংমগী কোরৌ নুমিৎ অমদদি লাইনিংথৌ মানা কেগে মোইরাং পুঙগী খুনয়ায়দা লাইনিংথৌ মাগী মশাইকোন অমগা থল্লগে হায়না পায়মা নুংদা নীংখিবদগী লোইদাম শজিবু থাগী কোরৌ নোংমাইচীং নুমিৎ অমদা পান্বা কৈরেল অঙৌবা কৈয়াঙথক্তা তোংলদুনা চুঙ-পে খান্না, লৈশং-লৈঙৌ খাউৱোন্ননা মশানৌ ইবেম্মা কোয়লেল লৈমা ইলীক কোংপাল্ নিংথৌ চনু, তুলেল লাইচা ঈৱাই খম্বী, খোঙচৎ লৈমায় হনবী, ঙাংখা লম্মীৎ চুমপী, অয়াঙ লমকা হৌলকপী, কাংকলু লৈহাউপোকপীদা থাংমৈ মাপল থানপী, ফানতলা মৈমাং ফমপী, লমলোই তানপীগা মপালী ইপুংঙো তম্পাক নিংথৌপগা ঙাইলোয়ননা ঙাংখা খুনয়ায় খায়না খুনকুল্লকখি। অসুম্নবু লাইনিংথৌ মানা কেগে খুন্থোঙ লেপখি। মোইলাং খুনপান লৈপান্খি। মরম অসি লৈবগীবু লাইনিংথৌ থাংচীং মাবু কেগে খুন্দা হাল্লকপা, মোইরাং য়ুমলেপ লিংলকপা ঈমু-ঈঙৌ পানফবা, লোক্তাক ইশা মাপল ফাংবনা চেংলৌ শকয়েং মিয়েংশেল ওইনরিবা লাইনিংথৌ-ও হায়না কোলোয়নবনি।

থাংচীং চীংগী চীংদোন্দা লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাইগী খুভম লৈ। অদুবু ইবুধৌ খুইয়োই-তোমপোক মঙাং নিংথৌনা (খৃ: ১৫৪-২৬৪) মীয়ামগী খুদোংচান্নবা লাইনিংথৌ থাংচীংবু চীংদগী পুথদুনা থেনদা খুভম য়াজদুনা হরাওবা হৌখি হায়বা অতোপ্পা ৱারী অমসু লৈরি। অদুগা ইনিংথৌ লোইতোংবা মঙাংনিংথৌ (খৃ: ১১২২-১১৫০) গী মতমদা মোইরাং নিংথৌনা (খৃ: ১১২৭) থাংচীং লাই হরাওবদা তাক্লক্তবগীদমক্তা ইনিংথৌ লোইতোংবনা শাউদুনা মোইরাংগী নিংথৌ উরাকোংয়াংবা অমসুং মনাও ইবুংঙো চীংখুবা মথংখনবগী মথক্তা হৌনা-লোনচৎ খঙদবগী অমদি খন্বা-থোইবীদা ৱায়েন চুমদবগী চৈরাক পীনবা লান্দাখি। মতম অসিদা শলাং অমাইবা কৌবা কপুই অমগা মোইরাং নিংথৌগা অফবা মরী লৈনৈ। শলাং মাইবা অসি থাংচীং চীংশাংদা লৈবা হাও মীতৈগী মরু ওইবা নুংশি চান্নবা পুরক্লম্বা মীওই অমসুনি। মরম অদুনা মোইরাং থাংচীং অমসুং মায়কৈ ঙাকপা লাইশিং অসি সলাই তরেৎকী য়াম্না মরু ওইবা লাইশিংনি। চীঙ্গৈইরোল, চীংলোন লাইহুই, নূংলোলনচিংবা অরিবা লাইরিকশিংগী মতুংইন্না মোইরাং থাংচীং কোয়লেল্লাইগী মরমদা শুগাইনা তাক্লি। চীঙ্গৈইরোল অমসুং চীংলোন লাইহুইগী মতুংইন্না 'হৌজিক্তি থাংচীংগী খঙনবা হায়গে। থাংচীংগী চীংদোন্দা থাংচীং কোয়লেল নিংথৌগী খুভম লৈবনে। শঙ্গাই ইম্ফম লৈবনে। মনাক্তা লাইফম লৈবনে। মনাক্তা লাইফম লৈবদো শঙ্গুলৈ পোকপী কৌএ। নূং অহুম থারিবনে। নূং অমদি থাংচীংগী য়াই নল্লিবনে। নূং অমদি চোইনৌগী (সনাগী) কাংচুপ অমা চোইনৌ থাঙ অমা, চোইনৌগী চৈশু অমা অসি নাল্লিবনে অমদি চোইনৌ-য়ালনচাই (সনা-লুপা) পোকপা নূংনে। মনাক্তা উ তলু লোম্বা নাইদবা উপাল হৌরিবনে। চোইনৌ খোংনাং অমসু হৌরিবনে। মনাক্তা লাইকোন অমা লৈবনে। ঈশিং থোকপনে। লোম্বা নাইদবা উপালদি মচুম তাবনে, মসা লোঙবনে, মনা তরেৎ পানবনে। মনাক্তা নূং অঙৌবা অমা, অঙাংবা অমা থারিবনে। অঙৌবদি সলাইলেনগী খুভমনে। শামু অঙৌবা পোকপা নূংনে। লাইমকনি। মমিংদি নোংদ্রেংখোম্বা কৌএ। অঙাংবা নূংদি থোঙনাং নিংথৌগী খুভমনে। নোংশা পোকপা নূংনে। মনাক্তা নূং লৈবদো, মচু তরেৎ শুনা লৈবনে। নূংদি চোইনৌ-য়ালনচাই-কোরী-শেন-তম্ফা (হি-য়াই), পিগ্রাই অসি খৈবিক পোকপা নূংনে। মমিংদি লৈহিংনু চাশৌবী কৌএ। নূং অদুগী মমিংদি তেক্কী লৈহিং চি কৌএ। নূং অঙাঙবা অদুগী মমিংদি অসিনে খঙও। থাংচীংগী ইরাবততি - ফমফি অমা, কিরাক অনী, থাকন অমা, ফিদা অমা, উচিৱা মঙা, ফিরান মঙা, খোইরু থাওমৈ মঙা, হৈ মনম নাইবা মঙা, চু-হৈ অয়াম্বা, লফোই লফাং মঙা, লাকোন অহুম, লৈশং মরি, শারেং অহুম, ঙানোয় অহুম, লাই অহুমগী ফিরোই অশুবা অহুম, ঙাংখা ৱান্দোন নাহৈফু, য়োৎশুবী, খাবৈ-চেকপ য়োৎখুনেৎ, শেন-খুনেৎ, চেঙ-ফৌ, থুম কাকুপ, শেন কাকুপ, চোইনৌ-হি, য়ালনচাই-হি, নৌ কোনয়াই পু মঙা, শরেন ওকনে, য়েলহিং য়েন অঙৌবা অমা, খোঙজি-নাশি, থাথিন-তা অমা, শাফাৎ থাঙ অমা য়েরুম মঙা অসিনে খঙও।" থাংচীং চীংগী শামু মরাইবক শাবা মফমদুদগী কারগা চীংয়াংলেন্দা "হংঙোই-পাৎ" হায়বা অরুবা লাইফমলেল অমা লৈরি। থাংচীং নিংথৌগী চীংদোন্দি মতোন তরেৎ শুবনে। চোইনৌগী শঙ্গাই লৈবনে, চীংদোন অমদা নূংগী তাঙবল লৈবনে। অদুগী মথক্তা থাংচীং নিংথৌনা মমায় নোংচুপ লাইচি পাংনা ফমদুনা লৈরিবনে। মমাঙদা উথুম হৌরিবনে। অদুগী মখা পাংনা নুংশিৎ থোঙ অহুম লৈবনে। অমদি (চীং মখা) থংবদা লৈবনে। নূং য়াংকোককুম কোয়বা অমনা কুপলিবনে। মথং চীংদোন অমদা নূং পুখমগুম্বনা খুমলিবনে। মথং চীংদোন অমদা নূংগী থুম্মুকনা কুপলিবনে। নুংশিৎ থোঙ অহুম্মদি অসিনে খঙও। কোয়রেল লৈমগী চোইনৌ মঙ্গাই মনাক্তা ঈকোম (পুখ্রি) অনী লৈবনে। অমগী ঈশিং থক্লবদি লাই ওইএ। অমদি মী ওইবা ঈশিংনে। চোইনৌ (সনা) শঙ্গাইরেনগী মনাক্তা ঈকোম (পুখ্রি) অমা লৈবনে। ঈকোম অদুগী মচিন্দি মোইপুংগী মচিনগুম্মে। অদুদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা মোইরাং তুরেলগী মরু ওইবনে। লাই-তীলগী ৱারীদা চোথে থাংৱাই পাখংবনা "পু-লীক্লাই থীংগ্রী নাচাউবা-ও কৌবা মোইরাং তুরেলগী নোংচুপ পাংবা কেগে লমদা পাল্লবা মতমদা কৌবা অঙাংঙা নোংখাম নিংথৌ কৌবরেলগী মপারিনা মোইরাং তুরেলগী নোংপোক থংবা ঙাংঙোই লমদা লৈঙাক্তুনা পানখি। অদুগা লাইনিংথৌ কৌবরেলগা লাইরেম্বী থৌদু নুংনাং লৈমগা অনীমক্কী লাইফমদি কৌব্রু চীংদা হৌফম শাৎফম ওইনা লৈ। কৌব্রুনা অহানবা কংলানি। মসি খোংলম ৭না কোল্লি। মখোয়দুদি (১) খাখোং (২) লাইখোং (৩) মরোংখোং (৪) ফিশুখোং (৫) লিলহাখোং (৬) চরোইখোং অমসুং (৭) য়ান্বীখোং অসিনি।" হায়রিবা খোংলম ৭ অসি অকোনবগী ময়ায় কংলা নৎত্রগা ইম্ফাল কংলাদসু লৈরি। মোইপুংগী মচিনগুম্বা মখা ঈশিং মরীক তারকপা অদুদা লফু মী অহুমনা কোনবা লাকোন ফানা হৌরিবনে। থাংচীং লাইকোন অসিগী থোঙ মরি লৈবনে। অৱাংগী থোঙ অসিদি চোইনৌ (সনা), থোঙমানবী কৌএ। নূং থোঙনে। নূংশুক-য়োৎশুক পায়না লাইনা ঙাক্লিবনে। তখেল লমনে, মাগী থোঙ চৎকনো। নোংচুপকী থোঙসু চঙ্গনো। নোংপোক থোঙলমদা চৎলবদি লাইকোন ফংগদবনে লেপনা খঙও। চীংদোন মাপন চপ মান্নবনে। লাইফম মশক হোংদবনে। লাই মাপল মাগী মফমনে হায়না খঙও। লাইনিংথৌ থাংচীংগী মমিংদি চোইনৌ (সনা) নোংনিংথৌ তরেংবা কৌএ। থাংচীংগী নমখাংদা চোইনৌ (সনা) থম্বাল শাৎপনে খঙও। মনাক্তা মৈ থোকপা নূং লৈবনে।" লোয়ননা কংলৈপুংময়োলগী কংলা মনুংদা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা কয়াগী খুভম লাইফম লৈবগুম লাইনিংথৌ থাংচীং মাগী লাইফম খুভম কয়াসু লৈরি। মসিগী মতাংদা 'নুঙলোন' পুয়াদা ইরি মদুদি :- "হী য়াই নুঙ। লাই পোকপা। মখোয়না লৈবা মফম খঙনবা হায়গে। নবুক তপ্না তাউ-ও। হে-মীওইবশিং-ও। অচেৎপা ৱানে। খঙনপা হায়রক্নে। থাংচীংগী নূং তলেৎ থোক্লে। মচু ঙাঙএ। য়াই কৌএ। লৈমরেল তেংবানবা মপু অনীমক্লা লৈ হায়বগীবু কংলৈ পুঙময়োল। ময়ায় সুমতোং পাল কংলা থোনতলেৎ থোল্লাংমৈ। মীলেল তোংমুলাপা চীং। লাংশঙ চীং ময়োল-ও কৌএ। মথং কাদা য়াই কৌপা নূং অমা লৈএ। মশক্তি মীগী মশকনে। মচু ঙাঙএ। মমায় মোইরাং পাংএ। মহাক্তি খুকউ খুদক্লা লৈএ। মমিংদি থাংচীং কৌএ। কংলাগী মোইলাং চিথেক্তা চৌপ্রিপুঙ কৌপা লৈপনে। য়াই কৌবা নূং অমা লৈপনে। ঙাঙ্রাএ। মমিংদি থাংচীং কৌএ। ঈলাৎতি ঈ অমনা লাৎ-ও ফৈএ। মীপু ঙমএ। খাখোংদগী মখা পাংনা খুদুম চনীগী মতমদা নুংশিৎ পুঙ কৌপা খাপুঙ লৈপনে। মদুতা য়াই কৌবা নূং অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি ঙাঙএ। মমায় মোইলাং পাংএ। মমিংদি থাংচীং কৌএ। নুংশিৎ কল্লবদা ঈ অমনা লাৎ-ও ফৈএ। নমু তাইবঙ মীওইবগী শামু হকচাংনুংতা য়াইপী থৱায় মঙা লৈ। থাংচীং কৌবা য়াইপী থৱায় মাদি শামু-হকচাংগী খোয়তৌকীনা মখা-ঈশিং থোঙকীনা মথক পীলাইত লৈ।" লাইনিংথৌ থাংচীংগী মশানৌ লৈমা অয়াঙ লৈমা কৌবীসি ঈলিক কোংপাল নিংথৌগী মমোমনি।

ৱারোইশিন :- লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাই কৌবা লাই মাবু লৈশেমঙৈদা নোংলম চিথেক মায়কৈ ঙাকহনখিবা থৱা কৌবা লাই মাগী মহুৎশিন্না শজিবু চৈরাওবগী লমতা থাংজগী লোইদাম কালেন থাদা পাঙথোকপা ফয়েংগী খুন্থোঙ লাৎপা থৌরমগী, উমংলাই হরাউবগী অমসুং অতৈ শরোয় খাঙবগী থৌরম কয়াদা ঈরাৎ থৌনি তৌনৈ।

লাইনিংথৌ মাগী উমং লাইকোন্নুং হায়বদি মোইরাং, থাঙ্গ মোইরাংথেম, ঙাংখা খুল, কুম্বীশন্থোং, ঈথিং, থম্নাপোকপী, তেরাখোঙশাংবী, কৈরেলফাবী, ফৌগাকচাউ, ঈথাই, সগাং-শন্থোং, মোইরাং-খুন্নৌ, লৈমপোকপম সিফাই, অংথা, মান্তক, তোরোং লাউবী, কৈবুল্লমজাউ, থীনুংগৈ অৱাং লৈকায়নচিংবা হরাউ শকশেম্ তম্ থৌদোক কুম্মৈ শান্নদুনা খুঞ্জাউ-লৈচাউনবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙনবগী ঈরাৎ-থৌরম তৌনৈ। কুমদম্বা লাই অমসু ওইরিবা লাইনিংথৌ থাংচীং মাদি লোক্তাক ঈপাক মনাক্তা মরাল য়ূম ওইবনা লাইজ ঈৱাওনা লৈরি হায়না পায়মনুংদা নীংখন্বগীবু লাইনিংথৌ মানা কুমদম্বা কুমদি লাইজ ইকং থোক্কল্লি। কুম্ কাংগল্লি। মরম অসি লৈবগীবু পোইরৈ ইপা-ৱাংঙম ইপুশিংনা লাইজ ঈয়োককোম তৌদুনা লাইজ ঈয়োক-ও। লোইমোম্ ফৌসু পুংহুল্ হুল্-ও। থাংয়ি লৌলিংগনু-ও হায়না পাউ হায়নরকই। কোইরেং ফুরুপনসু মোইরাং থাংচীং কোয়লেল্লাইবু মখোয়গীসু লাইনি হায়, অতৈ অতৈ লাইরিকশিং হায়বদি ও ভোগেশ্বরগী 'নিংথৌরোল শৈরেং' কৌবা লাইরিক অদুগী মতুংইন্না মোইরাং থাংচীং লাইনা কংলৈপাক্কী খা নোংচুপ্তা কোইরেং ফুরুপ ওইখি। লোয়ননা মমাঙঙৈগী মরিং খুলশিংদা থাংচীং অমদি ইবুধৌ নোংশাবগী খুভম য়াদুনা লাৎলম্মী। মতৌ অসুম্না কোম ফুরুপশিংনা ককচীংগী মন্তক খুন্দা লাইনিংথৌ থাংচীং, ইপুথৌ ৱাংপুলেন অমসুং ইপুথৌ নোংশাববু মখোয়গী লাই ওইনা লাৎচরম্মী। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নহাশিংদা পীবা নেসনল য়ুথ এৱার্দ অসি মণিপুরদা চন্নফম লৈরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

এৱার্দ অমা ফংবা হায়বসি অরায়বা নত্তে। নেসনল য়ুথ এৱার্দ অসি ইন্দিয়াগী য়ুথ পোপ্যুলেসন ২২৯ মিল্লিয়ন লৈবা অসিদগী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নহাশিংদা হীরম অমা নৎত্রগা হীরম অমদা কম্ম্যুনিতিদা শিংথানীংঙাই ওইবা, থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক খনগৎলবা ইন্দিয়াগী নহা ২৪দা পীবা য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইরবা নেসনল এৱার্দ অমনি। এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী নেসনল য়ুথ দে (জন্যুৱারী ১২) নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা য়ুথশিংদা পী। খুন্নাই অমা অওনবা পুরকপা হায়বসি নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈরিবনি। অদুনবু য়ুথ আর দ পিল্লর ওফ দ নেসন/য়ুথ আর দ আর্কিটেকচর ওফ তুম্মোরো ইন্দিয়া হায়রিবনি। অদুবু নহাশিং অসিবু অচৌবা অওনবা, রেসপোন্সিবিলিটি লৈবা, তিঞ্জং কায়জংদবা অমদি অফবা য়ূম্বীরেন অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা য়ুথকী থবক তৌরিবা নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিংদদি ঙসিসু গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদ্রি, মসিগী ময়েক লারবা লারবা খুদমদি নেসনল য়ুথ পোলিসি ২০১৪ চৎনবা লোইদুনা অনৌবা য়ুথ পোলিসি ২০২০ চৎননবা হোৎনরিবা অসিদা মণিপুরদদি ষ্টেট য়ুথ পোলিসি ২০১১ চৎনদুনা লৈরি অমদি ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসসু বাইফর্কেইট তৌদুনা স্পোর্টস অমদি য়ুথ এফ্যেরস অনীসি চনৈননা লৈরিবা অসিনি। মসিনা য়ুথ এফ্যেরসকী থবক থৌরমদি মমিংতগী ওইনা তৌদুনা লৈরে অমদি মসিনা তশেংনা নহাশিংবু শেমনীংবা, অফবা মায়কৈদা পুরকনীংবা য়ুথশিংদা নীংহন্নবা কয়া ফাওহন্দবা নত্তে। অসুক্কী মতিক থৌদাং লৈরিবা নেসনল য়ুথ এৱার্দ ফংলবা এৱার্দিশিংবু ঙসিসু গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদ্রি। মখোয়না এৱার্দ অসি ফংনবা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনজরিবা অমদি কম্ম্যুনিতিদা মখোয়না পীরিবা পোজিটিভ ওইবা ইম্পেক্ট অদুবুসু গভর্ণমেন্টনা উবিদ্রি। গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস খক্তদা মীৎয়েং থমদুনা লৈরি। স্পোর্টসকী লম্দা ফাওরিবা কয়া অদুসু য়ুথ লিদরশিং অদুনা লমজিং লমতাকপীদুনা ওইহল্লকপা ঙাক্তনি অমদি মখোয়না হীরম খুদিংমক্তা টচ তৌদুনা শেল্লকপা ঙাক্তনি। মদুগীদমক নেসনল য়ুথ এৱার্দ অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস খক্তদা মীৎয়েং চঙখ্রবদি য়ুথকী ৱর্ক তৌজরিবা য়ুথ লিদরশিং অসি মনীং হন্নবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরকপা য়াই। অতোপ্পা হীরমশিংদা এৱার্দ ফংলকপাশিংবুদি গভর্ণমেন্টনা ইনিসিএটিভ কয়া পীবিদুনা পূক্নিং থৌগৎপীরি অমদি মীৎয়েং চঙবীরি। অদুবু অসুক চাউনা কম্ম্যুনিতি অমদি নহাশিংগী য়াইফনবা হোৎনজরিবা য়ুথ আর্কিটেকচর ওইরিবা/য়ুথ আইকোন ওইরিবা/য়ুথকী রোল মোদেল ওইরিবা নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিংবু মীরাইবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদদি নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিংবু অৱাংবা থাক্তা থম্বীদুনা, মখোয়গী চানবা য়ুথ দিপার্টমেন্টতা থবক পীদুনা, ইনিসিএটিভ কয়া পীদুনা মখোয়বু গভর্ণমেন্টনা গ্রাস রুট লেভেলদা ৱর্ক তৌহন্দুনা, স্কিল কয়া পীহন্দুনা মতিং লৈবা, দ্রগ ফ্রী ওইবা, টেলেন্ট লৈবা নহা কয়া শেমগৎনবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি। অদুবু মণিপুরদদি তাইওন্নবা ফীভম অমদা নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিংবু গভর্ণমেন্টনা হন্না য়েংবীদ্রি অমদি মমাঙগী চহী ২০২০দা য়ুথ ওফিসরস লৌনবগী থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা ফাওবা নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিংদা প্রিফরেন্স পীবগী ক্রাইটেরিয়া অমফাও য়াওদে। মসিনা তাকপদি গভর্ণমেন্টনা নেসনল য়ুথ এৱার্দি, ষ্টেট য়ুথ এৱার্দিশিং অসিবু থওইবীদে তাকপনি। মরম অদুনা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা নেসনল য়ুথ এৱার্দিশিং অসিদা প্রিফরেন্স পীবীয়ু হায়না নোল্লুক্লা হায়জরি।

***অদোমগী :- ক্ষেত্রিময়ূম প্রেমদাশ***
***(নেসনল য়ুথ এৱার্দি)***
***ভাইস-প্রসিদেন্ট নেসনল য়ুথ এৱার্দি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া***

## পেন্দমিক্কী মতমদা লমলোং কৈথেলগী শক্তম

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমলোং কৈথেল ইম্ফাল ময়োলদগী কিলোমিটর অহুমলোমতমক লাপ্পা ইম্ফাল ইষ্টকী খ্বাইদগী ময়োল ওইবা খুরাই, ৱাংখৈ, হৈঙাং এ সী অহুম লোন্নবা ৱাংখৈ এ সীগী মচি অমদা লৈবনি। মতম অমা অহোঙ্গৈ তেল্লিপতি সোইবম লৈকায় অসিফাও খুরাই এ সী চিংলম্মী। মরম অদুননি লমলোং কৈথেল হায়রল্লিবা। চীনবুংদদি ঙসি ফাওবা ৱাংখৈ এ সী ওইখ্রবা সোইবম লৈকায় খুরাই সোইবম লৈকায় অদুমক হায়নরিবনি। কৈথেল অসিগী পুৱারী লৈজৈ হায়নসু থমজখ্রে। কৈথেল অসিদা তাংদুনা জিবিকা ওইরিবা মপূং ফাবা পুন্সি কয়া শাগৎলিবা এ সী খরদি মপুংদা খুন্দ্রাকপম, লমলাই, খুরাই এ সী অসিদা নত্তনা সাইকুল এ সীগী মনুংদা লৈবা চীংগী লৌউ-শিংউগী, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী পোখোক পূম্নমক কৈথেল অসিদা য়োন্থোক য়োনশিন তৌরিবনি। ঐখোয়গী কৈথেলগী পুন্সি মচৎ অরায়বা নত্তে, কৈথেল লাইরেম্বীনা চানবিদ্রবা লল্লোনবা মীশক অমনা নুমিৎ কয়ানি ফম্বা ঙমগনি।

ৱারী-ৱাতাই অসিগী মতাংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংগী ৱারী তাবিরমগনি। মণিপুরগী অচৌ অশাং ফম্নাইবা কয়া কৈথেল অসিদা ফম্বা ইমা কয়াগী মচা মশু য়াওরিবনি, মসিনা ৱারীনি। মমাঙনা মমাঙ ওইখ্রবসু হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী মণিপুরগী গ্রেটর ইম্ফালগী কৈথেলগী থবক লমলোং কৈথেলদা সেন্টর ওইররে। করিগী কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমা কৈথেল পূম্নমক থিংজিনখিবদগী। হান্না লৈজবা পোৎফমগী মথক্তা থৌবাল, ককচীং, ৱাংজিং, ময়াং ইম্ফাল মফম পূম্নমক্তগী থোমজি ল্লক্লিবনি। মীগী ভোল্যুম কয়াম ৱাংলমগনি। অয়ূক পুং ৪/৫দগী পুং ১০ ফাওবদি অইবগী তম্নবগী লোল লৈতে। মীশিং অসিনা মাগী মাগী পাংলরিবা মথৌশিং - য়োলহৌনবা, লৈহৌনবা, নংহৌনবা থিংলুবা য়াবা নত্তে। হৌজিকসি মণিপুরদা কোভিদকী মীপায়বসু লৈরিবনি। অদুবু কৈথেল অসিদা তৌরিবা মওং অসিদি মালেমসিগী মীয়াম্না তৌনরিবা মওংদু নত্তে। লৈঙাক্লা শেম্বা চৎন কাঙলোন উবা ফংদে। মাস্ক উপ্পগদি লাক্কনি অদুবু চৎন-কাঙলোনদি ঙাক্তে। মসিগী মতাংদা খন্থরুরবদি অকিবা ফাওই।

অমরোমদা অমুক লমলোং কৈথেল হায়বগী ৱানি হৌজিক মীয়াম্না ফম্নরিবা মওং অসিদি ইম্ফাল মনুংদা - বি টি রোদ, থঙ্গাল, শামু মখোঙ, মহারানি থোংখোং, নাগামপালগী অকোয়বদা পুলিসনা কোয়তান তান্দুনা পোৎ য়োঞ্জরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দর অদুমক্লি, লমলোং কৈথেল মনুংদা নত্তে। লমলোং কৈথেলদি শিদোকখিবা কুইরে। মণিপুরদা খ্বাইদগী চাউনা অমাঙ অতা থোকখিবা, য়ূম-বিল্ডিং, কৈথেল কয়া কায়খিবা য়ুহা অদুদা লমলোং কৈথেলসু য়াওখিবনি। মদু খঙলকপদগী ইমাশিং কৈথেল ফম্বা তোকখিবনি। ফীভম অদুদগী খুরাই, ৱাংখৈ অকোয়বগী ক্লব ওর্গনাইজেসন, লন্নাই মীওই কয়ানা অথুবা থৌরাং তৌদুনা হৌজিক খুরাই গর্লস, লমলোং হায়র সেকেন্দরি মমাঙদা ফল্লিবসিনি অশেংবা লমলোং কৈথেলদি।

***অদোমগী - থাংজম ইনাও***

## উরু য়েংলুবদা হাম্মু হাম্মু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

শাথীরবা কোভিদ লাইচৎনা মালেমসিদা হেক খোঙদারকপদগী লৈঙাক্কী পাউতাক তুংইন্না অখঙ অহৈনা তত্তনা রেদিও, টি ভি, পাউচে কয়াদা চৎনগদবা কাঙলোন পীদুনা লাক্লি। অদুবু ইনবীগদবা মীওইনা থওইনদবা, মানা-মানা থোকপা অপাম্বা পংতৌ তৌনরি। য়ূমদগী মপান হেক থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু, খূৎশা সাপোন্না নৎত্রগা হেন্দ সেনিটাইজরনা শেংদা চামথোকপীয়ু, ফুট ৬ লাপ্পা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপীয়ু হায়বা পাউজেলনি পীনরিবা। মসিদা ঐখোয় ইশানা খঙনা-খঙনা, তানা-তানা ইতৌ তৌনদবগুম তৌরি। চিনখক্তা মাস্ক উপ্পা, নাতোন্দি কুপ্তবা, পোৎ লৈবা য়োনবদা সোসল দিষ্টেন্সিং থমদবা, দেব কর্ম্ম, সোরাট, লুহোংবা, ফঙ্কসন্দা অচৌ অশাং য়াওনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবসু থেংনজৈ। অদুনা ফনা হায়বা শাবনি থৌদোক অমা চৎপদা মীগা মীগা থেংনরোই, শম্নরোই হায়বা য়ারক্লোই, শোয়দনা থেংনরক্কনি। লেংয়ান ফি য়ানবা, লৈ পরেং হুকপা, প্রজেন্টৈসন পীবদসু কোক্তা খূৎনা নাম্থবীবা শোয়দনা য়াওরমগনি, য়াওসু য়াওরি। অদুনা হৌজিক্তি খরা শাফরক্লে হায়দুনা মীরাইদুনা লৈথোকপা য়ারোই। ইশানা ইশাবু চিংনজবা মতমনি হায়বদা লাল্লোই খঞ্জে। মসিদা ঐবু মীনা থেংনদনবা হেৎনরুনি, লাক্লিবা-চৎলিবা মীদুনা মী থেংখিনি খন্দে, থেংলম্বসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা হেন্না চেকশিনবা চঙব্রা খল্লি। মসিদা ঐখোয়না ৱাখল তানদ্রগদি পাম্বে লৈতে। নাকল অমরোমদা অনৌবা চহী লাকপদা ঙাইরিঙৈ য়াইফ পাউজেল পীনরিঙৈ ক্রাইমগী ৱাথোক্লা নৌনা অমুক ফেল্লকপগী পাউ তাজৈ। ক্রাইমগী থৌদোক্তা কোর্টনা চেন্নবা মীওই অদু শিবগী চৈরাক পীবগী থাগৎনরিঙৈ চৈরক্তা মচানুপীবু মপানা য়েংহৈদবা মীৎয়েং য়েংবগী তুজুংনীংঙাই ওইবা থৌদোক অমুক লাক্লি। মসিনা করম্বা চৈরাক অমুক পীরক্কবা? হোয় তৌবগীদি চৈরাক পীবগী শিন্থাদি কোর্টকীনি। অকি অখং চৈরাক্লা মীয়ামগী অপাম্বা ওইরমগনি খল্লি। মসি নৎত্রগদি অমসু অমসু অসুম লমদম্নখিদুনা চৎনবী ওইখিদুনা খুন্নাইদা অমাঙবা ওইরক্কদ্রা চিংনজৈ। অদুনা অসিগুম্বা তৌহৈদবা থবকসিদা নুপা ওইবশিংগী মরক্তসু পুন্সিবু শান্নপোৎ ওইনা খনবা, শা-ঙাগী শাজৎনা পূক্নিংগী শিন্থা ওইনীংবা, তুংগী পুন্সিগী খন্দবা, ঙাইহাক্কী থম্মোয় পেন্নবা হোৎনরগা লোইরে খনবা, ৱাখল খন্থবা ঙমদবা কোকনি হায়নখিনি। অৱা চৈথেং ফংলগনা করি নুংগীনো মথন্তা নীংঙল্লক্তবা, পোল্লকপসু শোয়দনা য়াওরমগনি। অদুনা মী ওইনা পোল্লবদি ধর্ম্ম লৈতবগী হৈনবী চেন্দবনা পুন্সি নুংশাংগনি খনফম থোকই। চাউরবা, পাল্লবা-পিল্লবা লৈরক খুল্লক্কী লম্বীদা ময়ূম-মকৈ শানবগী নূং-লৈঙোই, চেক পৈশিনবা, শুমাং থেল্লোং লৈনা, লৈনা হোঞ্জিন্নীংদবা অসিনা লম্বী চিনবগী শরুক ওইরি। খোঙনা চৎপদা অপনবা নুংঙাইতবা পীবদা নত্তনা অৱাবা ওইরি। গাড়ীদি লৈশিল্লুরে থম্ফমদি হান্না শেমহৌদে, অহিং নুংথিল নাইদনা লম্বী সরক্তা খামদুনা গাড়ী থম্ফম ওইশিল্লি। মসিনা অতোপ্পা গাড়ী লাকপদা, থৈনবদা পাল্লম্বা লম্বীদু চৎফম লৈতে। অদুনা সরক্তা পোৎ চৈ পৈশিনবা, গাড়ী থম্নবা অসিনা মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা মৈকল গাড়ী চঙফম লৈতবদগী অকায়বা লাক্লগা ঐখোয়দনি মাঙজবা। অদুনা মরী লৈনবনসু মীৎয়েং অমুক্তা চঙহনবীদুনা য়েংশিনহঞ্জনীংই। মসিদা অমবু ওইরো অমবু ওইরো ঐ-ঐনা তৌরিবসি তুংগী মীরোলদা অকায়বা করি লাক্কনি, ইরমদম অসি অফবা ওইরক্কদ্রা ফত্তবা ওইহৌগদ্রা হায়বগী ৱাখল খন্থবা মতম হেল্লব্রা খঞ্জে। অদুনা লম খুদিংমক অফবগী শরুক্তি খরা হন্থনা থোকপগুম তৌরক্লি, ফত্তবনা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লক্লি। মসিদা ঐখোয়না উরু য়েংলুবদা হাম্মু-হাম্মু হায়নবা অদুতংদি তাহন্দনবা ইরমগী অমদি মীয়ামগী খন্দুনা লূবা-নানবনা ইশাগী ইথৌনি খন্না মীগীসু নুংঙাইনবা , ইশাগীসু শোয়দনবা হোৎনরসি হায়জনীংই।

***অদোমগী - তবানু খুরাইজম***
***ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।